ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

ইন্তেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুশকী মতাংদা ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা মিদিয়া সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপকী থৌরম

SENSITIZATION WORKSHOP
on 4th Round
INTENSIFIED
MISSION INDRADHANUSH

লামায় ৩

ইম্ফাল ইভিনিংদা মীয়ামগী শীজিন্নবা মোবাইল বাইও টোইলেট পিয়র অহুম/অহুম লৈবা মাপন মহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা শঙ্গাবগী শক্তম

লামায় ৩

জীরিবামদা লৈবা ফম্মুং ৫০গী হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী থা ৬কী তোলোপ পীথোক্তবগী মায়োক্তা পেন দাউন ষ্ট্রাইক চথবা

লামায় ৪

ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টকী চহীগী কেলেন্দর ফোরেষ্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভী শম্ভুনা ফোংবা

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.281 | থাংজ, ৱাকচিং ২০নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, January 06, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## থাউগী মমল

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৬৮.৩২
**দীজল :** লিটরদা লুপা ৫৮.৩৩

## লাইট থানখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৫:লোক্তাক পাৱর ষ্টেসননা ইথাই বরাজ দাউন ষ্ট্রিমগী নাক-য়েৎতা এল ঈ দি ষ্ট্রিট লাইট থানখ্রে। নৌনা ইন্সটোল তৌরিবা এল ঈ দি লাইট অসিনা লম্বীদা ঙালহল্লগনি। মসিনা ইথাই বরাজগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি গাড়ী থৌরিবা মীওইশিংদসু নুংঙাইহল্লগনি হায়নসু হায়না এন ঐচ পি সীগী এসিষ্টেন্ট মেনেজর (ঐচ আর)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ট্রান্সফোর্মর খিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫: আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ২৬শুবা এ আরগী কাঙবুনা উপর খোরিপোক ভীলেজদা ৬৩ কে ভী এগী ট্রান্সফোর্মর অমা খিনখ্রে হায়রি।

## পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি জন্যুৱারী ৬, মণিপুর প্রেস ক্লব ফাউন্দেসন দেগী প্রেস ছুটি ওইবনা মথং নুমিৎ জন্যুৱারী ৭তা পাউচে অসি পুথোক্লোই। - *মেনেজর*

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২২.৭২ °C | ১০.৭২ °C |
| চান্দেল | ২৬.৫৫ °C | ১১.৪৫ °C |
| সীসীপুর | ২২.২৭ °C | ৯.৫০ °C |
| ইম্ফাল | ২৫.০৩ °C | ৯.৬৬ °C |
| সেনাপতি | ১৬.৩৪ °C | ৭.৭৮ °C |
| তমেংলোং | ২৫.১০ °C | ১২.৮০ °C |
| থৌবাল | ২২.০২ °C | ১০.২৯ °C |
| উখ্রুল | ১৮.৩৬ °C | ৭.০৮ °C |
| মণিপুর | ২৬.৫৫ °C | ৭.০৮ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৯
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 76.357081 |
| US Dollar | 63.379032 |
| British Pound | 85.882121 |
| Australian Dollar | 49.708789 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.767489 |
| Japanese Yen | 0.5595 |
| Malaysian Ringgit | 15.837313 |
| Norwegian Krone | 7.838727 |
| Singapore Dollar | 47.73491 |
| South Korean Won | 0.059611 |
| Swedish Krona | 7.765891 |
| Turkish Lira | 16.923572 |
| Myanmar Kyat | 0.04667 |
| Bangladesh Taka | 0.76201 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30139.04 |
| Mumbai | – | Rs 30941.18 |
| Delhi | – | Rs 30320.86 |
| Kolkata | – | Rs 30941.18 |

## HL POLL

**Q : Vigilance anti corruption department linglaga corruption mapung fana thingba ngamgadra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Haryana gi Gurgaon da leiba Manipur gi lam chahi 27 shijinadana thamlambashi yaningbra?**

Yes 09% No 91%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অস! লোইরেহে!

এন্তি করপ্সন সেলগী ইমপ্লোয়ী লৌবসিবু লাখ কয়া লৌদোইনো ?


নঙনা খঙজিনবসিনা...!

# পাউমাই কম্ম্যুনিটিগী হেরিটেজ কমপ্লেক্স শেমগৎকদৌরি

# খুল্লাকপশিং লৈনবা সনা কোনুংদা গেষ্ট হাউস শানবা ক্রোর ১১ খাক্লে : সী এম

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৫ (ঐচ এন এস): খ্বাইদগী লীরবা পাউমাই খুল ওইরিবা সরানামৈ খুঙ্গংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা পাউমাই ফুরুপকী হেরিটেজ কমপ্লেক্স অমা শেমগৎলগনি। খুল্লাকপশিংনা ইম্ফালদা লাকপদা লৈনবা সনা কোনুং কমপ্লেক্সতা গেষ্ট হাউস শানবা লুপা ক্রোর ১১ খাক্তুনা থল্লে হায়না সী এম, এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী থিংবা খুনৌ (সোমাই) ভীলেজদা পাউমাই থৌনি অমসুং চীফ মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পাউমাই নাগা য়ুনিয়ন (পি এন য়ু) অমসুং থিংবা খুনৌ (সোমাই) ভীলেজনা খুৎশম্নরগা শিনখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, পাউমাই ফুরুপকী পুৱারীগা মরী লৈনবা অরিবা মতমগী পোৎলমশিং য়োকখত্তুনা থম্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা অমসুং মখুৎ-মশা হৈবা মীওইশিংদা লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুত্থাংদা তেংবাঙ পীবা হৌরে। মখুৎ-মশা হৈরবা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী তেংবাঙ লৌনবগীদমক এপ্লিকেসন পীশিল্লক্কদবনি।

জন্যুৱারী ২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ষ্টেটহুদ দেগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ৱেলফ্যের স্কিম অনী হৌদোক্কবা থৌরাং লৌখৎলে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, নুমিৎ অদুদা *হকশেলগী তেংবাঙ (মণিপুর হেল্থ প্রোটেক্সন স্কিম)* হৌদোকপগা লোয়ননা মথং নুমিত্তগী থবক হৌরগনি। স্কিম অসিনা চহী খুদিংগী বি পি এল/এ এ ৱাই/লায়রবা ইমুং অমমমদা লুপা লাখ ২ ফাওবগী তেংবাঙ পীগনি। অদুম ওইনমক অনা লায়েংগা মরী লৈনবা হীরম খক্তদা খুদোংচাবা ফংহনগনি।

স্কিম অসিগী মখাদা অনাবা মীওই অমনা লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিংদা লায়েংবা চৎপদা শেল পুবগী মথৌ তাররোই। লায়েংবদা চঙবা শেনফম পুম্নমক লৈঙাক্লা পুথোক্কনি।

অমরোমদা, নুমিৎ অসিমক্তদা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস পুম্নমক্তা খুৎলাই মতিক চানা য়াওরবা এম্বুলেন্স ১০ সার্বিস তৌবা হৌরগনি। মদুনা চীং অমসুং... *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# মচানুপী নমদুনা ফল্লাল্লুবা মপা পূন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৫ (ঐচ এন এস): মশামক্লা পোকচবী মচা নিংঙোলদা ফল্লানখিবগী মরালদা কোংপাল কোঙ্খাম লৈকায়দগী য়ুম্লেম্বম ইবোমচা এলিয়স মথোই কৌবা মশাগী চহী ৪১ শুরবা মীওই অমা পূন্সি চুপ্পা জেলদা থবক শুহন্দুনা থম্নবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১ ফাইন থিনবা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পি ও সী এস ও)কী স্পেসল জজনা ৱায়েল পীখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী স্পেসল জজ (পি ও সী এস ও) গাইফুলসিলু গোলমৈগী কোর্টতা মরাল লৈরবা ৱাই ইবোমচাবু সেন্টেন্স হিয়ারিংগীদমক জুদিসল কষ্টদিদগী পুথোরকখি। একুজগী উকিল অমসুং মণিপুর ষ্টেটকী মায়কৈদা লেপখিবা পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা পুখৎলকখিবা ৱারোল পুম্নমক কুপ্না তারবা মতুংদা স্পেসল জজনা অরোইবা ৱায়েল পীখিবনি।

পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা মীওই অসি প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স এক্ট, ২০১২গী মখাদা মরাল লৈরে হায়বা চপ চানা খঙলবনিনা খ্বাইদগী কনবা চৈরাক পীফম থোকই। অমত্তা পোকচবী মচানুপীনি খঙনা খঙনা অরানবা থৌওং চথখিবা মরম্না অরুম্বা চৈরাক পীগদবনি হায়না পুখৎলকখি।

নাকল অমরোমদা, দিফেন্সকী কাউন্সেলনা মরাল লৈরবা মীওই অদুবু খরা য়াংবা চৈরাক পীবিনবা হায়জখি। মহাক্না হায়খি, হন্দক্কী থৌদোক অসি নত্তনা মমাঙদা মীওই অসিনা করিগুম্বা মখলগী ক্রিমিনেল ওফেন্স অমা চথখিবগী থৌদোক লৈতবা মরম্না অরুম্বা চৈরাক পীফম থোক্তে। কুমজা ২০১৬কী সেপ্টেম্বর ২৩দগী মীওই অসিনা জুদিসল কষ্টদিদা লৈরকখিবগী মতম অদুসু জেলগী মীয়াৎ মতমদগী ককথবা মথৌ তাই।

নাকল অনীমক্কী ৱারোল তারবা মতুংদা স্পেসল জজনা সুপ্রিম কোর্টকী প্রিন্সিপল মতুং ইন্না মরাল লৈরবা মীওই অদুবু পূন্সি চুপ্পা জেলদা থবক শুহন্দুনা থম্নবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১ ফাইন ওইনা থিনবা ৱায়েল পীখি। মদুগীসু মথক্তা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টনা ভীক্টিম ওইহৌরবী নুপীমচা অদুদা লুপা লাখ ২গী কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্বিসেস ওথোরিটিগী স্কিম মতুং ইন্না অতৈ অতোপ্পা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন কয়াসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীগদবনি হায়রি।

পি ও সী এস ও এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৬কী মখাদা ফাইল তৌখিবা এফ আই আর নম্বর ৪৯ (৯) ২০১৬ দব্লিয়ু পি এস/আই ঈগী মতুং ইন্না স্পেসল ট্রাইয়েল (পি ও সী এস ও কেস নম্বর-১৬ ওফ ২০১৬) হিয়ারিং চথরবা মতুংদা স্পেসল জজনা অরোইবা ৱায়েল অসি পীখিবনি।

# প্রমোসন পীবা য়াওনা আই এ এস ওফিসর ২৩ অমসুং এম সী এস ওফিসর ৩ ট্রান্সফার তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল (দি পি)না ঙসি থোকখিবা য়াথং অমনা আই এ এস ওফিসর ২৩ অমসুং এম সী এস ওফিসর অহুম ট্রান্সফার তৌখ্রে।

ট্রান্সফার তৌখ্রবা আই এ এস ওফিসার ২৩ অদুগী মনুংদা ১০দি মখোয়দা আই এ এস সেলেক্সন গ্রেদ পীবগা লোয়ননা মখোয়না হান্নদগী হৌনা পায়রকপা ফমশিং লেংহন্দনা ট্রান্সফার তৌরি।

লৈঙাক্কী য়াথংকী মতুং ইন্না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (সেরিকলচর/টুরিজম/লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট)কী থৌ পুরম্বা পি কে সিংহনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (সেরিকলচর/টুরিজম/লেবর এন্দ ইমপ্লেয়মেন্ট/এম ও বি সী অমসুং ও বি সী ষ্টেট কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেটরি)গী থৌ পুরগনি। ডা. প্রেম সিংহনা কম্মিস্নার/এম ও বি সী ষ্টেট কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেটরি পুরম্বদগী হৌজিক্লা দিরেক্টর/ভিজিলেন্স ওইরগনি।

ঐচ দিলিপনা কম্মিস্নার হায়র এন্দ টেক্নিকেল/সোসল ৱেলফ্যের, এম লক্ষ্মীকুমারনা কম্মিস্নার ট্রান্সপোর্ট/আর্ট এন্দ কলচর, কে রাধাকুমারনা কম্মিস্নার ৱার্কস/আই পি আর/সী এ এফ এন্দ পি দি, সুমন সিংহনা সেক্রেটরি আই টি/ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেলস হজবেন্দরি/হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের পুরগনি।

জসিন্থ লজারসদা গ্রেদ পে আই এ এস সেলেক্সন গ্রেদতা প্রমোসন পীরগা মানা হান্নদগী পায়রকপা দিরেক্টর (সোসল ৱেলফ্যের) এন্দ এস এম দি, আই সী দি এস, মণিরেদাগী মেম্বর সেক্রেটরিগী ফম অদুম পায়রগনি। কে ঐচ রঘুমণিসু আই এ এস সেলেক্সন গ্রেদ পে পীরগা মানা হান্নদগী পায়রকপা দেপ্যুটি কম্মিস্নার তেংনৌপলগী ফম পুরগনি। কাংপোকপীগী দি সী ওইরম্বা টি রঞ্জিৎনা সেক্রেটরি/রেভিন্যু, অথেম মুইভানা আই এ এস সেলেক্সন গ্রেদকী গ্রেদ পে পীরগা মানা হান্নদগী পুরকপা দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ফম অদুমক পায়রগনি।

মরানচন লুইখমসু আই এ এসকী সেলেক্সন গ্রেদ পে পীখ্রে। অদুমকপু মহাক্কী পোষ্টিংদি হান্নগীদুদা অদুমক লৈখিগনি। এম জয়না স্পেসল সেক্রেটরি রেভিন্যু/মহুদ পায়রম্বদগী সেক্রেটরি... *মখা লামায় ৩ কলম ২*

# ওজা ওইরগা মেদিকেল তম্লম্বা অমসু এপোইন্টমেন্ট ককখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৫ (ঐচ এন এস): প্রাইমারী টিচর (এস এস এ) ওইনা থবক তৌবা মীওই অমা থবক কাদনা এম বি বি এস তম্লম্বগীদমক মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর ককখ্রে।

এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১২গী ফেব্রুৱারী ২৬তা পাঙথোকখিবা দি পি সীদা প্রাইমারী টিচর ওইনা খনখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌবাল অচৌবা কৈথেল মখা লৈকায়দা লৈবা ৱাইখোম হরিপ্রিয়োনা থবক কারক্তনা রাজস্থানগী অজমিরদা লৈবা জে এল এন মেদিকেল কোলেজদা এম বি বি এস কোর্স তম্লম্বগীদমক এপোইন্টমেন্ট ওর্দর ককখিবনি হায়রি।

প্রাইমারী টিচর ওইনা থবক চঙদ্রিঙৈদা ৱাইখোম হরিপ্রিয়োনা রাজস্থানদা মাঙজৌননা এম বি বি এস তম্বা হৌখি। থবক খল্লবা মতুংদা মনাওনুপাবু মহাক্কী মহুৎ শীন্দুনা থবক কাহল্লম্বা থেংনখি।

কুমজা ২০১২গী ফেব্রুৱারী ২৬তা পাঙথোকখিবা দি পি সীদা থবক খনখিবা হরিপ্রিয়োবু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চন্দ্রখোং প্রাইমারী স্কুলদা পোষ্টিং পীখি। অকোনবদা চহী অদুমক্কী সেপ্টেম্বর ২৫দা থোকখিবা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অমনা মহাকপু চীংজারোই প্রাইমারী স্কুলদা ট্রান্সফার তৌখি। অদুবু মহাক্না নোংমা ফাওবা থবক কাবগী মহুত্তা মনাওনুপাবু মহুৎ শিলহন্দুনা থবক কাহল্লমখি।

এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টরনা থাদোরকপা য়াথং চে অসিনা হায়, জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসার (জোন-থ্রি)না ৱাইখোম হরিপ্রিয়োগী মথক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎপগা লোয়ননা অরানবা মওংদা মহাক্না লৌখিবা তোলোপ অমদি এলাৱেন্সনচিংবা শেনফম পুম্নমক লৌখৎলগা থা ৬কী মনুংদা মরী লৈনবা হেদ ওফ একাউন্টতা দিপোজিট তৌরক্কদবনি।

পনবা য়াবদি, লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা প্রাইমরি স্কুলশিংদা ওজা ওইরগা থবক কাবগী মহুৎতা এম বি বি এস অমদি এম এস সী এগ্রিকলচর তম্লম্বগীদমক মীওই মঙাগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর ককখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুনা ওজা ওইরম্লিবা স্কুলশিংগী হেদমাষ্টর মঙাসু সসপেন্দ তৌখিবা লৈখ্রে।

কোম্নৌজম মনিং ট্রাইবেল প্রাইমরি স্কুলদা ইন-চার্জ হেদমাষ্টর ওইনা থৌ পুরকখিবা জি মাইতেন কবুইনিগী মথক্তা ডিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং লৌখৎপগা লোয়ননা সেন্ট্রেল সিভিল সর্ভিসেস (ক্লাসিফিকেসন, কন্ট্রোল এন্দ অপীল) রুলস, ১৯৬৫ গী রুল ১০ গী সব-রুল (১) না পীবা পৱার শীজিন্নদুনা মহাকপু খুদক্তগী সসপেন্দ তৌখিবা লৈখ্রে।

স্কুল অসিদা প্রাইমরি টিচর (এস এস এ) ওইনা লৈবা মহম্মদ তাজ মহম্মদনা জেনিমস ইম্ফালদা এম বি বি এস তম্লম্বগীদমক এপোইন্টমেন্ট ওর্দর ককখ্রবা মতুংদা স্কুল অসিগী ইন-চার্জ হেদমাষ্টর ওইনা লৈবা জি মাইতেন কবুইনিবু খুদক্তগী সসপেন্দ তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওর্দর অসি চৎনরিঙৈগী মনুংদা জি মাইতেন কবুইনিগী হেদক্বার্টর্স ইম্ফালদা ওইগনি অমসুং এদ্যুকেসন (এস) গী ডিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারগী অয়াবা য়াওদনা হেদক্বার্টর্স থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই। মসিগীসু মথক্তা জি মাইতেন কবুইনিবু জান্যুৱারি ৩১ দা সুপরএন্যুএসনগী মতম হেক য়ৌবগা সর্ভিসতগী টর্মিনেট তৌগনি হায়না মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২৩ দা থোকখিবা ওফিস ওর্দর অদু কেন্সেল তৌখ্রে।

# আই এল পি চৎনহনবসি পূম্নমক্কী থৌদাংনি : জয়কিষন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): তুংলমচৎকীদমক আই এল পি চৎনহনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী মরুওইবা থৌদাংনি খন্না অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নরসি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

নোরদর্ন ষ্টুদেন্টস' ক্লব খুন্দ্রাকপমগী ৫৮লক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম পি সী সীগী ৱাঙাঙলোয়সু ওইরিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, লমদমসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী শক্তম কন্নবগীদমক আই এল পি চৎনহনবা তঙাইফদে।

আই এল পি বিল পাস তৌনবা হোৎনবা য়াম্না মরু ওই। আই এল পিগীদমক প্রেসর পীদুনসু লাক্লি। আই এল পি চৎনহনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌদাংনি খন্না চঙশিনবা তঙাইফদে। তুংলমচৎ কন্ননবগীদমক ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা লেপমিন্নরসি। য়েলহৌমী কাঙলুপশিংগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনমিন্নবা তাই হায়খি।

এম এল এ জয়কিষননা মখা তারদুনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা পিছ টোক চথবগী প্রোসেস অসি তরাম্না ওকই। অদুবু, পিছ টোক অসিনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম, ঙমখৈ শোকহনবা য়ারোই। মণিপুরদা এদমিনিষ্ট্রেসন অনী থোকহনবসু য়ারোই। মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তম অসি ঙাক্তুনা থমগদবনি। লমদমসিগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপা হায়সি কোংগ্রেসকী খোল্লাউ ওইদুনসু লাক্লিবনি। মখা তানসু অপূনবগী শক্তমগীদমক লেপকনি।

মণিপুরগী চীং অমদি তমগী মরক্তা মরী ফৎনদবা করিসু লৈতে। কোংগ্রেসনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী সীট ২০গী মনুংদা ৯ মায় পাক্লিবনি। চীং-তম অনীগী মরক্তা নুংশি-চান্নবগী মরী অদুমক লৈদুনা লাকখি। অদুবু, কোংগ্রেসনা এন এস সী এন (আই-এম)গদি... *মখা লামায় ৩ কলম ২*

# এক্সিদেন্টতা মীওই অনী শিরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৫ (ঐচ এন এস): হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা থোকখিবা গাড়ী এক্সিদেন্টকী থৌদোক্তা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী শিরে, অতোপ্পা অনীনা শোক্লে।

থৌদোক অনীদুগী মনুংদা অমদি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎপদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লম্লোং কৈথেলদা থোকখিবনি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, লম্বীগী মতাইদা খাম্বা টাটা মেজিক অমনা থোঙ হাংদোরকপদা নুপী অনীনা তোংদুনা লাকপা হেভি দ্যুটিদা শোকপা তারে হায়দুনা খঙলৈ লৈথোকপদা তুশিনখি। অসুম্না তুদুনা লৈরিঙৈদা মায়োক্নবদগী লাকপা ক্রেং গাড়ী অমনা তকপদগী নুপা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা অতোপ্পা নুপী অমদুসু ফীভম লুনা শোকখি।

লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিং থোঙাম ওংবী নাওবী (২৮) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা টি ঐচ অখান কৌই। মহাক খুরাই কোংপান থোঙাম লৈকায়দা লৈবনি। মহাক্না লাকমিন্নবা নুপী অদুগী মমিংনা থোঙাম রেবিকা (২৫) মপুরোইবা থোঙাম জানন্দ কৌই। মহাক লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মনাওনুপী থোকপনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা নাওবীগী হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস মোর্গতা থমখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মন্ত্রিপুখ্রি কৈথেল এরিয়াদা হোন্দা এক্টিভা তোংদুনা লাকপা নহা অনী গাড়ী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# ক্রোর ৫০৬৭কী য়ু সী পীবা ঙমদ্রি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মার্চ ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থাদখিবা স্কিম ৫০৩৮গী অপুনবা শেনফম লুপা ৫০৬৭.১১৭ কী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট (য়ু সী) হৌজিক ফাওবা পীথোকপা ঙমদ্রি হায়না মণিপুরগী একাউন্টেন জেনরেল জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালদা লৈবা একাউন্টেন জেনরেলগী ওফিসতা পাউমী কাঙবু অমগা উনবদা ফোঙদোকখিবনি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী স্কিম অমা ওইরিবা মণিপুর বিল্ডিং অন্দর কন্সট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফ্যের... *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## উনদনা হনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): গ্রেটর নোইদাদা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা শিরগা ফংখিবা প্রিভিশ চনম মীশিগী মতাংদা সী বি আইবু ইনক্বারি তৌহন্দুনা অচুম্বা পুথোকপীয়ু হায়না তকশিন্নবা দিল্লিদা চৎখিবা ইমাশিং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরেন রিজিজু উনবা ফংখিদ্রে।

মহাকপু উনহনগনি হায়না থাজবা পীখ্রগা উনহন্দবগী মতাংদা ঙসি পিপলস এক্সন কম্মিটিগী কনভিনরনা লূচিংবা টিম অমনা চীফ মিনিষ্টর উনবা লাকখি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর লৈতবদগী উনবা ফংখিদে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিদে। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

IMPHAL CENTRE
Aptech ENGLISH LEARNING ACADEMY
Unleash your potential
The finest English courses from Aptech designed by Middlesex University, London
◆ Spoken English
◆ Foundation Courses for
◆ Strong Communication Skill
◆ Boosting Confidence
◆ Better Career Opportunities
Duration: 2-3 months
Eligibility: School & College Students/ Working professionals/ Housewives
ADMISSION OPEN
Imphal or Mumbai. We maintain the same Quality & Facility
For more details please visit: YAIPHAKOL BUILDING Singjamei Parking 8414808200 7085440528
HL-B/4286/17/12-18/01

LOAN AVAILABLE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
➤ Vehicle Loan
➤ Pension Loan
➤ Service Loan
➤ T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
● 100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
HL-P/4077/14Dec.-14Jan.